www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM



রেজিদ পেভমেন্ট লম্বী শেন্দ্বগী থবক অমদি শেল্লিবা দ্রেনেজশিং চয়োল অমগী মনুংদা লোইশিন্দ্রবদি থংনবা নুমিৎতগী উরিপোক সোরবোন থিঙেল লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না উরিপোক নুপী অপুনবা লুপনা লাউথোকপা



ৱাকফ বোর্দ মণিপুরগী মখাদা লৈবা স্কুল অমদি মদ্রাসা খরা কাঙলোন চুমদনা চলাইরিবা অসি চুমথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়না মাইনোরিটিজ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (এম এস এ)না ফোঙদোকখিবা



ফুরুপকী আইদেন্টিটি মশক নৈনবা 'রিকোলিং অৱার আইদেন্টিটি'গী থৌরম মৈতে পাঙলশিং তাবা মফমশিং দা পাঙথোক্লগনি হায়না অম্পাকোনা লাউথোকখিবা

Volume No: 50 Issue: 118 | IMPHAL, SATURDAY, APRIL 04, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪ | থাঞ্জ, শজিবুগী ১৭নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 10 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্লা নুমিৎ খূদিংগী তৌরিবা থৌদৌশিংদু হোংদ্রিবা ফাওবা নহাক্কী পূন্সিদা অহোংবা পুরক্লোই

## গুদ ফ্রাইদে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এস এন এস)ঃ গুদ ফ্রাইদেগী থৌরম মণিপুরগী মফম কয়াদা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা ফাষ্টিং তৌদুনা ঈশ্বরগী মিং শক শোন দুনা পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে। মরিংলেন বেপটিষ্ট চর্চ, ন্যু চেক্কোন, ইম্ফালনা শীন দুনা চেক্কোনদা লৈবা চর্চতা মফম অদুদা লৈরিবা মরিং ফুরুপকী খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা পাঙথোকখি। থৌরম অদু করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো হায়বগী নুংগী ওইবা মরমশিং রেভরেন্দ ঐচ শকপা, পাষ্টর মরিংলেন বেপটিষ্ট চর্চনা মীয়ামদা পাউদমখি।

## এৱার্দ সেরেমোনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এস এন এস)ঃ ফিল্ম ফোরমনা চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ১০শুবা নোংইন কুন্ধো মণিপুর ম্যুজিক ভিদিও ফেষ্টিভেল ২০২৬কী এৱার্দ সেরেমোনি এম এস এফ দি এসদা লাক্লিবা এপ্রিল ৯দা পাঙথোক্লগনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী কে রোনেলচন্দ্র মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এস এন এস)ঃ ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিগী ৮শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিয়েসন্না শীন দুনা নোংমগী ওইবা উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রো. দব্লিউ চান্দবাবু, রেজিষ্ট্রার ডা আর কে জোতিন, ফাইনান্স ওফিসর রোজেন্দ্রকর নোংথোম্বা অমদি কন্ট্রোলর ওফ এগজামিনেসন্স টিঐচ জয়ন্তকুমারনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা লৈবা কন্সটিটুয়েন্টি কোলেজ ৫- দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, দি এম কোলজে ওফ আর্টস, দি এম কোলেজ ওফ কমার্স, জি পি ৱুমেন্স কোলেজ অমসুং এল এম এস লো কোলেজগী প্রিন্সিপালশিংগা লোয়ননা কোলেজ অসিগী ষ্টাফশিংসু য়াওদুনা উশিং থাখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## লোইরেদনা

সিফাই নুংফাইনা কোয়শিলহল্লগা চৎসিরা খল্লি, কমদৌদোইনে খঙদে...!



এ...কিদি কিজাৎ ওইরে ...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### লৈঙাকপৈ ৱা

তাজনিংদে খোল্লাওদো
মীয়ামগী খোল্লাওদো
সেন্সস য়ারোই হায়বদো
এন আর সি তৌ হায়বদো
ঐনা ঙম্বা নত্তেদো
ঐদি তৌজবনি তৌ তৌ হায়বদো
ঐদি তৌদবনি তৌনু তৌনু হায়বদো
তাজনিংদে খোল্লাওদো
তৌ হায়বদুদনি তৌজরিবা
ভোট খোম্বা চৎচরিবা
লম্বী ফাৎপা শাজিন্নরিবা
হায়জিল্লগা অৱা অনা হংবা
তাজনিংদে খোল্লাওদো
ঐনা কাজরিবা ফমসে
মীয়াম্না হাপ্পা নত্তে ফমসে
হাপ্পীরকপনি আ দেল্লিনা
তৌবা তাবনি হায়বদো দেল্লিনা
তাজনিংদে খোল্লাওদো

# খেমচান্দগী জিরি খোঙচৎ মায়কৈ কয়াদগী অয়েৎপা পীনরক্লি, নম্ফুদা চৎকদৌরি

## আই টি এ সিনা খুঞ্জাশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে, জে দি এস এনা চেকশিন ৱা থল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এস এন এস)ঃ প্রসিদেন্ট রুল লোইশিন্দুনা নৌনা শেল্লকখিবা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক অসি হেক লাকপদগী অনীরকশুবা ওইনা য়ুম্নাম খেমচান্দ হয়েং জিরিবামদা চত্তুনা মৈতৈ, কুকি অমসুং নাগা ফুরুপকী লুচিংবশিংগা পুন্না উন্নদুনা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা ৱারী শাগদৌরি।

চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগী খোঙচৎ অসিদা ফেরজোল অমসুং জিরিবামদা খুন্দারিবা ট্রাইবেল খুঞ্জাশিংনা শৌগত্তনবা ইন্দিজিনস ট্রাইবস এদভোকেসি কম্মিটি (আই টি এ সি)গী মায়কৈদগী মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

জোইন্ট ট্রাইবস ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (জে দি এস এ)নসু চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎকী সেদ্যুলদা য়াওরিবা লৈঙাংপোকপী পুলিস আউটপোষ্ট য়েংশিনবা অসি তৌদনবা চেকশিনৱা থল্লক্লি।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী মণিপুরদা থোক্লকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা নোংথোম্বম বিরেননা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারী ৯দা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবদগী প্রসিদেন্ট রুল



রিপ্রজেন্টিটিভ ইমেজ

চলাইদুনা চহী অমরোম লাক্লবা তুংদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৪দা য়ুম্নাম খেমচান্দনা মণিপুরগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌদুনা শেমখিবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক অসিগী মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা খোঙথাং ওইনা হয়েং অনীরকশুবা ওইনা জিরিবামদা চত্তুনা মফম অদুদা খুন্দারিবা মৈতৈ, কুকি অমসুং নাগা ফুরুপকী লুচিংবশিংগা পুন্না উন্নগদৌরিবনি। মদুদসু নত্তনা ফুরুপ অনীমক্কী মায়কৈদা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই দি পিশিংসু উন্নগদৌরি। চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগী হয়েংগী জিরিবাম খোঙচৎ অসি নুমিৎ ৩নি চুপ্পা চৎকন্দবনি। খোঙচৎ অসিগী অহানবা নুমিৎ ওইনা হয়েং অয়ুক ...মখা লমায় ৭তা...

> **'সি এম লাক্লম্বদগী জিরিদা তংদু লৈতাবা হৌরক্লে'**
>
> *ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এস এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগী অনৌবা লৈঙাক হেক লাকপগা জিরিবামদা অহানবা ওইনা চত্তুনা মৈতৈ, কুকি অনীমক্কী আই দি পি অমসুং মীয়াম উন্নখিবা অদুদগী জিরিবামদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপা হৌখ্রবনি। পাউ চে অসিনা ফংবা রিপোর্ট অমনা হায়, মে ৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী ইরাংনা জিরিবামদসু চপ মান্ননা* ...মখা লমায় ৭তা...

# মিন আংগনা প্রসিদেন্ট ওইরকপদা এন ইদা চৈথেং ফংলক্কদ্রা মীপায়নরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এস এন এস) : ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্টাগী চীফ মিন আংগ হাইয়ংনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবদা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা চৈথেং ফংলক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা পোক্লরে।

নোর্থ ইষ্ট লাইভকি রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না দেমোক্রেসি শৌগৎপা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিং অমদি মিলিটরি জুন্টগী মরক্তা ২০২১ দগী চাউনা মুক্লদুনা লাকখিবনি। চহী অসিমক্তদা মিন আংগ হাইয়ংনা ওং সান সু চিগী লৈঙাক ফুক্তোক্তুনা লং থোকখিবতা নত্তনা ম্যান্মারগী লৈঙাক সাসন মহাক্লা ঙসি ফাওবা পায়দুনা লাকখিবনি। ম্যান্মারদা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক হল্লকহন্নবগী মীংদা হন্দক মীখল পাঙথোকখিবনি। অদুবু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি মহাক্কি মায়োক্তা লৈবা মীওইশিং খক্তা নত্তনা মহাকপু শৌগৎপশিংনা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অসি মমিংতগী ওইনা পাঙথোকখিবা মীখলনি হায়না ফোঙদোক্লরকখ্রে। প্রসিদেন্টগী মীখল অসিদা মিন আংগ হাইয়ং য়াওনা মীওই অহুম মীখল থেংনখি। অদুবু মীখল মমাংদগী মহাক্লা অদুমক মায়পাক্লগনি হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনখি। মরমদি ম্যান্মারদা হৌজিক লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টদা য়াওরিবা এম পিশিং অসি মিলিটরি জুন্টানা শৌগৎপা পোলিটিকেল পার্টিনা অয়াম্বনি। মীখল অসিদা ভোট ৫৮৪ গী মনুংদা ভোট ৪২৯ লোম ফংদুনা চাউনা মায়পাকখিবনি।



মিলিটরি জুন্টাগী চীফ ওইরম্বদগী মিন আংগ হাইয়ংনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অমুক ওইরকখিবা হায়বসি ম্যান্মারগী ওইনা হান্নগী ওইরিবা ফীভম অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অহোংবা লাকপা ঙমগদবা মান্দে হায়রি। মরমদি হৌজিকসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা দেমোক্রেসিবু শৌগৎপা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংনা মহাকপু য়াবা লৈত্রি। মিন আংগ হাইয়ং হায়রিবা লুচিংবা অসি চাইনাগী ইথিল চাউনা লৈবা মীশক অমনি। মরম অদুনা ম্যান্মারগা য়ুমথংনরিবা লৈবাক ইন্দিয়াগী ওইনদি অদুমক কোক চিকপা ফখিরোই। মরুওইনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা ম্যান্মারদা থোক্লিবা সিভিল ৱার অসিনা মরম ওইরগা ফংলিবা চৈথেংশিং অদুমক মখা তানা ফংখিগনি। চাইনানা ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্টাগী লৈঙাক অসিদা চাউনা মতেং পাংদুনা লাকখিবনি। মিন আংগ হাইয়ংনা প্রসিদেন্ট ওইরবসু লৈবাক অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অহোংবা লাক্কদবগী ...মখা লমায় ৭তা...

# ট্রান্সজেন্দর এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখিবদা য়ু এন ঐচ আর সীনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে





ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এস এন এস) : হন্দক্তা পাস তৌখিবা ট্রান্সজেন্দর এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইট্স কাউন্সিল (য়ু এন ঐচ আর সী) না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে।

য়ু এন ঐচ আর সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ট্রান্সজেন্দর এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৬ পাস তৌখিবা অদু তহা-তহানা তৌখিবা মরন্না ট্রান্সজেন্দরশিংনা ফংদুনা লাকখিবা রাইট কয়া মাঙখিবা য়াই। লোয়ননা মখোয়বু অমুক্কা হেন্না মীনোক-মৈশা কয়া মায়োক্লহল্লকপা য়াবগী অকিবসু লৈ। বিল অসিগী মতুংইন্না ট্রান্সজেন্দরশিংনা মশানা অদুমক শক্তাকচগদবা অদু মেদিকেল ইনভেষ্টিগেসন কম্পলসরি ওইরকপনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরকপা য়াই। বিল অসিনা ট্রান্সজেন্দরশিংগী ৱাহন্থোক পাকচাউনা লৈরম্বা অদু শুপচিল্লকখিবগা লোয়ননা মেদিকেলদা য়ুম্ফম ওইহল্লকখ্রে। ট্রান্সজেন্দরশিংনা মশা শক তাকচনবা হোৎনবদা মেদিকেল বোর্দতগী সর্টিফিকেট পিদবা য়ারোই হায়রি। বিল অসিগী ...মখা লমায় ৭তা...

# নাগা আর্মি ৪ হাৎখিবগী ময়েক শেংবা ইনভেষ্টিগেসন চথ্থগদবনি

## ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈবা অশোনবা উখোরকপা লাইবক থিবনি: জি এন এফ

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩(এস এন এস)ঃ চহীসিগী মার্চ ২৮দা কামজোং দিষ্ট্রিক্তকী কাসোম ব্লোক মনুং চন্না লৈবা হোংবৈদা নাগা আর্মি পার্সনেল ৪বু তমথিনা হাত্তোকখিবগী থৌওং অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা থৌদোক অসিগী ময়েক শেংবা ইনভেষ্টিগেসন চথ্থগদবনি হায়না গ্লোবেল নাগা ফোরম (জি এন এফ)না খঙহল্লক্লি।



ফোরম অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নাগা আর্মিগী মেজর সোচিপেম ফুংসোক, সার্জন্ট মাইয়োর জাইরে ভসাহ, সার্জন্ট ভানলে অহলাপ্যা অমদি সার্জন্ট থানসোমি ভাসিবু তমথিনা হাত্তোকখিবগী থৌওং অকনবা মওংদা য়ানিংদবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি। নাগা আর্মি ৪গী থৱায় মাঙখিবা হায়বসি ইমুং মনুংখক্তগী নত্তনা অপুনবা নাগা নেসনগী ওইনা মাঙজবা অমনি। মীহাৎ অসিগী মতাংদা মীৎয়েং অনী থোক্লা ঐখোয়না য়েংবা য়াই। নাগা আর্মি ৪বু তমথিনা হাৎখিবগী থৌওং অসিনা ওর্গনাইজেসনগী মরক্তা মতম শাংনা ৱারোইশিন পুরক্তনা লৈরকপা ইসু অদু মমি তাহল্লে। মসিদা নত্তনা হোংবৈদা থোকখিবা থৌদোক অসিনা লৈরিবা নাগা গ্রুপশিংগী মরক্তা থাজনদবা অমদি ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল ইসুগী পিছফুল ওইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা দিমান্দ তাল্লক্লিবা অসিদা মতম থিন্থহন্নবগী শাফু অমা পীরক্লবা হোৎনবগী মমি অদুসু চাউনা তাহল্লে। চহী ২৯লোম ৱারী শান্নদুনা লাক্লবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পোলিটিকেল সোলুসন পুরক্লবগী লম্বীদা নাথৈদুনা লাকপনা নাগাশিংগী মরক্তা মচোই মচোই তানববা অমদি থাজনদবা হেনগৎহন্নবগী মমি অদুসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং ...মখা লমায় ৭তা...

# 'অখন্নবা এসেমব্লি ফমদুনা মীতোপ খন্দোক্লবা ৱারেপ লৌগদবনি হায়বগী খোঙজং চঙশিল্লগনি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এসএন এস)ঃ লমদম অসিদগী মীতোপ খন্দোক্লগা সেন্সস পাঙথোক্কদবনি, লো এন্দ ওর্দর ঙাকউ, মণিপুর কল্লু অমদি অখন্নবা এসেমব্লি ফমদুনা মীতোপ খন্দোক্পগী ৱারেপ লৌ হায়বা দিমান্দ তৌদুনা ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মফমদা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না সি পি আই পোলিটিকেল এফিয়ার্স কম্মিটিগী কনভেনর আর কে অমুসনানা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লৈঙাক অসিনা এন আর সি তৌরগা সেন্সস পাঙথোকউ হায়বা মীয়ামগী খোল্লাও তাবগী মহুত্তা সেন্সসগী থবক পায়খৎনবা থৌরাংলক্লিবা অসিদা পার্টি অসিনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা তোঙান তাঙানবা দিমান্দশিং তৌদুনা খোঙজং চংশিন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। মণিপুরদা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংনা মরম ওইদনা মণিপুরদা মরম চাদনা মীশিং হেনগৎলকপগী ৱাথোক লৈরিবনি। মসিগী মথক্তা কুমজা ২০২৩গী মে থাদগী হৌদুনা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংগী মরক্তা মিলিটেন্ট কয়া য়াওরক্তুনা য়ুম মৈ থাবা, মী কয়া হাৎপা অমদি হিংশাগী থবক কয়া চথ্থরক্লি হায়রি।

লমদম অসিদা লৈরিবা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং মপুং ফানা খন্দোক্লবা পার্টি অসিনা দিমান্দ তৌই। ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং খন্দোক্লবা মতুংদা সেন্সস ওপরেসন চথ্থগদবনি। মীতোপ খন্দোকপা অমদি সেন্সসকী থবক থৌরম অসি লমদম অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফৎত্রবদি পায়খৎপা ঙম্লোই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনগদবিন হায়রি।

লো এন্দ ওর্দর ...মখা লমায় ৭তা...

# ইন্দিয়ান পনোরমা মনা ফংলকপদা সি এম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এসএন এস)ঃ মণিপুরী ছোর্ট ফিল্ম 'দি নাইটমেয়র ওফ বেন্সী'না ইন্দিয়ান পনোরমা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৫-২৬কী বেষ্ট সাইকোলোজিকেল দ্রামা এৱার্দ ফংলকপদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী ফেসবুক অমদি এক্সনচিংবা সোসিয়েল মেদিয়া একাউন্টদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমনা হায়, 'দি নাইটমেয়র ওফ বেন্সী' হায়না মিংথোনবা মণিপুরী ছোর্ট ফিল্ম অসিনা ইন্দিয়ান পনোরমা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৫-২৬কী বেষ্ট সাইকোলোজিকেল দ্রামা এৱার্দ ফংলকপা অসিমক ঐখোয় পূন্নমক্কী চাউথোকচনিংঙাইনি। ফিল্ম হায়বসিনা কনফ্লিক্ট সেচুয়েসন অমগী মশক মীয়ামদা উহনবদা নত্তনা মীওইবা খুন্নাইগী মমিসু উৎলিবনি। তেঞ্জিং পুখ্রম্বমনা দিরেক্সন পীদুনা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসিনা সেন্সিটিভিটি ওইবা কাউবা ঙম্লরোইদবা মমি কয়াগা লোয়ননা পাৱরফুল ওইবা ৱারী অমসু মীয়ামদা লীরি। মণিপুরগী অসিগুম্বা ফিল্ম অমনা ইন্দিয়ান পনোরমা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মনা অমা ফংলকপা হায়বসিনা মণিপুর ফিল্ম ফেটর্নিটিগী ৱারী লীবা ঙম্বগী থৌনা অমদি হৈথোই শিংথোইবা অদু ময়েক শেংনা ...মখা লমায় ৭তা...

# ৱাকফ বোর্দকী স্কুল অমদি মদ্রাসা খরা কাঙলোন চুমদনা লৈরম্বা থেংনরে: এম এস এ

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এসএন এস)ঃ ৱাকফ বোর্দ মণিপুরগী মখাদা লৈবা স্কুল অমদি মদ্রাসা খরা কাঙলোন চুমদনা লৈরম্বা থেংনরে। অশোয়বশিং চুমথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়না মাইনোরিটিজ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (এম এস এ) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট পিঐচ ইজুজ অহমদনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ইজুজ অহমদনা হায়, চহীসিগী মার্চ ২৯দা এম এস এনা ৱাকফ বোর্দ মণিপুরনা তৌখিবা তোঙান তোঙানবা রিক্রুইটমেন্টশিং অমদি বোর্দ অসিগী মখাদা লৈরিবা স্কুল অমসুং মদ্রাসাশিং মীৎয়েং চঙলগনি হায়না মীয়ামদা খঙহনবা লৈখ্রে। মসিগী মতুংদা ৱাকফ বোর্দকী ওথোরিটিনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা ক্লারিফিকেসন পীনবা খঙহনবা লৈখ্রবসু হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈথোক্লি। মসিনা তুংদা অফবা লাক্কনি হায়বা থাজদে। ৱাকফ বোর্দ মণিপুরগী মখাদা লৈবা মহৈশঙ অমদি মদ্রাসা খরদা য়েংশিল্লুবা মতমদা কাঙলোন চুমদনা লৈরম্বা থেংনরে। মদ্রাসা লৈতবা মফমদা ওজা পোষ্টিং পীরম্বা কয়া য়াওরে। মসিদা নত্তনা ৱাকফ বোর্দ মণিপুরদা প্রোজেক্ট ওফিসর ওইদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা স্কুল খরদা প্রিন্সিপাল ওইদুনা লৈরম্বসু থেংনরে। ৱাকফ বোর্দকী ওফিসতা ফমদুনা লৈগদবা মীওইশিংনা স্কুল খরদা প্রিন্সিপাল ওইদুনা লৈখিবনা ওফিসকী থবক থৌরমদা অকায়বা কয়া লাক্কদবা মরন্না ৱাকফ বোর্দ অসি মাঙথরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। স্কুল খরদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টকী ওজাশিং মীয়ামদা এদভর্টাইজমেন্ট তৌদনা ৱাকফ বোর্দ মণিপুরগী ওথোরিটিনা ওজা ওইনা হাপচিল্লম্বা অসিমক ...মখা লমায় ৭তা...

# 'আই দি পিশিং য়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রিবা ফাওবা সেন্সসকী থবক চথ্থবীগনু'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই দি পিশিংনা মশা মশাগী খুল অমদি ময়ূমদা হঞ্জিনদ্রবা ফাওবা মীকোক অমদি য়ুমকোক থিবগী থবক চথ্থরক্কনু। লৈঙাক অসিনা নমদুনা য়ুমকোক থিবগী থবক চথ্থরকপা তারবদি অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লক্কনি হায়না শজিৱা রিলিফ কেম্পতা চঙফম লৌদুনা লৈরিবা আই দি পিশিংনা ফোঙদোরক্লি।



জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে দি এফ)না মীতোপ খন্দোক্ত্রিবখৈ সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই অমদি দিলিমিটেসনগী হীরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথ্থরকপা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি শজিৱাদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অসিগা মরী লৈননা শজিৱাদা লৈবা আই দি পিশিংনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথ্থরক্লিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া ময়ূম-মকৈ মৈনা তুন্না থাদোকপীখিবদগী লৈফম লৈতদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা ৱানা খাঙলিঙৈ চৈরক অসিদা য়ুমকোক থিবগী থবক চথ্থবা হৌরগনি হায়না লৈঙাক অসিনা থৌরাং লৈবা অসি খুদক্তা হন্দোকপীয়ু। আই দি পিশিং মখোয় মখোয়গী য়ূমদা হঞ্জিল্লবা মতুং য়ুমকোক থিবগী থবক চথ্থবিয়ু। আই দি পিশিংনা রিলিফ কেম্পদা লৈরিঙৈ করম্বা মওংদা য়ূম অমগী হাউস নম্বর য়াওদনা য়ুমকোক থিগদৌরিবনো। ফিভম অসি লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা হেন্না খঙফম থোক্পনি। করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা ঙম্মী মতাগুম আই দি পিশিংনা রিলিফ কেম্পদা লৈরিঙৈ য়ুমকোক থিবগী থবক চথ্থরকপা তারবদি মণিপুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা আই দি পিশিংনা সপোর্ট তৌদবগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি। মসিদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পুন্না লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা পাল্লিবা পান্দম ফংনবা হোৎনবদা লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লিবা য়েলহৌমীশিংদা পীরিবা অৱাবা অসি কয়াম কুইনা খাঙখিগদগে হায়বসি মীয়াম মীকপ থোকপা মতম ওইরে হায়না জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা নারোলদা চংলকখিবা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংনা তাল্লিবা পান্দম ফংনবা হোৎনবদা লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা য়েলহৌমীশিংদা ...মখা লমায় ৭তা...

# চয়োল ১গী মনুংদা লোইশিন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি: য়ু এ এল

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (এসএন এস)ঃ ইম্ফাল স্মার্ট সিটি প্রোজেক্টকী মনুং চন্না কিষ্টোনগী মখাদা উরিপোক মায়কৈদা লৈরিবা মেন রোদশিংদা পায়খৎলিবা রেজিদ পেভমেন্ট লম্বী শেন্দ্বগী থবক অমদি প্রোজেক্ট অসিগী মনুং চন্না শেল্লিবা দ্রেনেজশিং চয়োল অমগী মনুংদা লোইশিন্দ্রবদি থংনবা নুমিৎতগী উরিপোক সোরবোন থিঙেল লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না উরিপোক নুপী অপুনবা লুপনা মরী লৈনবশিংগী মফমদা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

ঙসি উরিপোক সোরবোন থিঙেলদা লৈবা পব্লিক লাইব্রেরি হোলদা উরিপোক অপুনবা লুপ অমদি উরিপোক নুপী অপুনবা লুপনা পুন্না পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ু এ এলগী জেনরেল সেক্রেটরী সামোম ধ্রুবনা হায়, উরিপোক্কী মেন রোদশিংদা থারিবা রেজিদ পেভমেন্ট লম্বী অসি মতেক মতেক থারগা মপুং ফানা লোইশিন্নদনা থম্বা অসিনা মরম ওইরগা লম্বীদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে।

মহাক্লা হায়, লম্বী পরিং অসিগী মফম কয়া হৌজিক ফাওবা শেম্বা লোইশিন্দনা লৈরি। মসিদসু নত্তনা থা খরগী মমাঙদা হৌখিবা দ্রেন শেম্বগী থবকসু মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমদ্রি। পূন্নমক অসিগী মথক্তা খ্বায়দগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা লাঙ্গোল শীজ লম্বীসু ...মখা লমায় ৭তা...